

*"মীয়ামগী ফনবা অমদি নুংঙাইনবা অঙৌবা তাৎ মচা কয়া মফম মতম চানা শীজিন্নবদি অচৌবা কবি, নাট্যকার, উপন্যাসকার, ৱারী মখল মথেল ইবশিংনি।"*

*- জি সী তোংব্রা*

*(পুন্সিদা তাৎ মচা মচাই চন্নফম)*

## ইবোবী

**—কে সী লুৱাং**

ইমাগী ইবুংঙো নুংশিবা
কৌগে নঙবু ইবোবী
তূমগনু নমিৎ শিংউ ইবোবী
ইমাগী কংলবা খূৎশাসিনা
থাঙ্গৎখিবনি নঙবু পামজনা
সনাগী তাঙবল মথক্তুদা।

নঙগী নুংঙাইবা ইমাগী নুংঙাইবনি
নঙগী অৱাবা ইমাগী অৱাবনি
পন্থৌ ইঙ্খোল চাইগোইনুং
শম্বল চেৎনা খাজিল্লু
হুরান চিন্থি য়াম্বনি,
নপাবুনা শারম্বা য়ূমজাও কা ৭
য়ূমথক নোং য়ুহনগনু ইবোবী
মৈগী, ঈশিংগী চেকশিল্লু
থোঙ্গাল লৈখোম থোকহনগনু
মীরমদগী লাকপা মরুপশিংনা
উরগা নঙবু নোক্লখিনী
ফৌগৈ চেঙগৈ পৈশিল্লু
লোক্তাক পাৎতি ইশায়ফু
পেঙবা, থরাক, ঙাতোন
পোরোম, শারেং য়োকশিল্লু
সঙাই, শিরোই মাঙহনগনু
অৱাৎপনা মশীং য়াল্লবা
কৌনবনি মীনা লায়রবা।

মীতৈ নঙগী নরমদম
অউবা কনানা উশিৎখিরোই
পঙনু পারী
শিংউ পারী
তাইবঙ মীগী মপোক্তি
ঙসি শিনি পাউজেন্দে
হয়েং শিনি পাউতাক্তে
পঙনু ইবোবী
শিংউ ইবোবী
দোলাই তোংবা হুইনা
অমাংবা উরগা চোঙথবা
মীতৈ পাউরৌদু কাউগনু।
কল্লকপা য়াম্বনি
কঞ্জাওবা য়াম্বনি
মাঙদা চৎখৎলু
চৎখলু দে।

## তপথখিসে অমুক্তং

**—রাজেন্দ্র নামবিয়া**

মীতৈনা করি লানখ্রগে?
নাগানা করি শোয়খ্রগে?
কুকিনা করি তৌখ্রগে?
পাঙলনা করি হায়খ্রগে?
হায়বদায়নে মীয়াম্না,
ঐখোয় মশেল অমত্তনি,
ইচিন-ইনাও ঙাক্তনি।
ইমা অমতগী মচানি।

মীয়াম মীফমদা পংহায় হায়,
করি তৌনিদি খন্দবা।
তৌদৌ থবক ময়ামদি,
খঙদা-উদা লৈথোকপা।
ইশাগী ওইজবা থাদোকসি
উৎপীয়ু অশেংবা থম্মোয়দো
মথন্তা লাকচনি অচুম্বা।
খরা খজিক কৎথোকসি
অচুম্বা চৎলো অচৌবা,
নতুং ইনগে ঐখোয়সু
অমুক্তংদি খন্থসি
ঐখোয় পূল্লপ পূনশিনসি।

## করম্বা ইরানগী

**—সুর্য্যমনি য়ূম্নাম**

করম্বা ইরান লৈবগীনো
মাগা উনবদা ইকায়রিবা
করিগী মীরোৎকুম হিংলিবা?

মাগী লৈকোল নৈখায়খিদে
মাগী হৈকোল চাইখায়খিদে
মাতদি খঙবনি ইবুকচেল।

লৈরাং লৈখোং খুদিংনা
হৈপালগী হৈখোংনা খুদমনি
চোৎহৌবনি নুংশি পিরাং।

চাউদম শাংদম্না হিংজনবা
তদেক তনৌ কেজনবা
পিরাংনা ঈশিং চাইরম্বনি।

## করিনুংগী

**—নির্মলা রাজকুমারী**

নঙনা নোকশিন্নখিবদো
তৌশিন্নবা মীনোক্তা
ঙাঙখিবদো মীনম্বা কয়া
অচুম্বা ঙাঙবা হৈজদ্রবা নঙনা।
অমম্বনা কুপ্লবা নঙগী ৱাখল
মঙলানগী শরুক য়াওদ্রবা নঙগী
মায়থোং
অরানবা লম্বীদা থাংলিবা নঙগী
খোঙথাং
তিঙ্খংনা য়োল্লবা নঙগী নখোং
য়েংহৈদবদা য়েংলিবা নঙগী মীৎ
তাহৈদবদা তারিবা নঙগী নাকোং
তাইবঙ শেম্বা মপূনা শেম্বীরকপা
হকচাং কয়াৎ খুদিংমক

লান্না শীজিন্নরি নঙনা
মপূ মানা ৱারৌরমগনি নঙবু
খল্লমগনি করিনুংগী লেম্লুবনো।

## ইমাগী মীৎয়েং

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

নমাদো লৈশাবীনি ইমানা তৎতনা হায়
মচা পীশক অদুনা মাঙ্গোলদা
শান্নদুনা লৈবা উরগা,
মমাসু অদুমক চৎখিগনি,
কদাইদনো করিনো খঙদে।
হেক্তা চৎখি, হেক্তা চৎখি
মখোয় মশেল খঙনা চান্নদুনা
ময়ূম পানখিবনি হায়
মমা মপা খঙনা চৎখিবনিসু হায়।
মশাদি অঙাং য়াম্না ওইরি
ময়ূমদা লৈশানা লৈবা হেন্দোক্লা য়ারি।
য়ূম পাল্লবসু লৈশাবীগী শাজৎ চৎলি
ইমানা তৎতনা হায়,
নমা লৈশাবীদো চৎখ্রবরা?
অসিনি মচা অপীশক অদুদা
হেক হেক হংবিরিবদো।
মপা মমাগী নাক্তা কুইনা
নাওথি শাবা ফংখিদে
মহৌশা লাইরেন্বী মাগী খূৎশেমদা
তিনখিবা ঙাক্তনি।
লৈথোক্তুনা খক চেনখিবা ঙমদে
মহৌশা মাগী খূৎশেমদি
অঙকপগী মশক্লি।
মসিতনি ইমানা তোয়না হায়রিবসু
য়ূম-কৈ পাল্লবদি
অহোংবা খরা নাইবা ফবনি।

## ঈংজ তপচহৌরসনু

**—মেধা কোলোম**

চুথবীরক্লো নোং লেপনাইদা
কাবীরক্লো ঈথক সমুদ্রগী
মপান নাইদ্রবা সুনামি;
থুমজিনবীখ্রো পূম্নমক মালেম
য়াওজখ্রসনু থৱায় কয়াসু
মাঙহনবীখ্রো ঙম্নমক ঈরোলনুংদা।

য়েংজবা ঙমজদ্রে ইমিৎসিনা
তাজবা হৈঙমদ্রে ইনাসিনা
লেপ্পাইদা হেনগৎ হেঞ্জিল্লক্লিবা
খাঙবদা ৱাজরক্লবা মালেমসু
ঈংজ তপচহৌরসনু অমুক্তং।

শেম্বীরক্লবা অমুক নৌহৌনা
লাঞ্জদ্রবা থৱায় কয়ানুং
ফুরুপ লাইনীং খাইদ্রবা
মহৌশা মাবু শকখঙবা
মীনুংশি মথম্মোয় চেল্লবা
কাঙলুপ অমত্তংগী মীওইবা
মালেম ইমাগী তম্পাকথক।

## ফাগী নৎতেকো

**—তিলোতমা অথোকপম**

ফাগী নৎতেকো য়ূম পানবা
অঙাংগী লাইফদবী শান্নবসু
নৎতেকো...
চাক থোংবী শান্নবা নৎতেকো
তুরেলগী লৈঙোইদগীসু হেন্না
কুপ্পনিকো খঙউকো য়ূম পানবা।
ফাগী নৎতেকো য়ূম পানবা
হন্দোক-হঞ্জিন য়াবা নৎতেকো
ময়াইকাবা চিঞ্জাক শীজিন্নব্রা
করম্বা শঙ্গগা লোয়নৈ তিন্নৈ
মুন্না থিজহৌদো নুপাদো...
করম্বা নুপীনো চোঙারা, ক্বাকলা
য়ূমগী লাইরেন্বী ওইগদরা য়েংজহৌদো
ফাগী নৎতেকো য়ূম পানবা
লৈমিন্নবদা ৱাখল চান্নগদরা
থাউগা ঈশিংগা ওইগদরা
হুইগা-হৌদোংগা ওইগদরা
খঞ্জহৌদো থিজহৌদো য়েংজহৌদো
নুপা অমা নুপী অমা
হেক্তা লৈরগেদো হেক্তা লৌরগেদো
খনগনুদো পুন্সি চুপ্পগীনিদো।
মুন্না ৱাখল তৌজহৌদো
তাহা তহাগনুদো
নীংঙমদবা লাক্কনি
ফাগী নৎতেকো য়ূম পানবা
ফাগী তৌনুকো য়ূম পানবা।

## মরম অমা

**—তোংব্রম শামুঙৌ**


ঐনা চৎলিবা
পুন্সি লম্বীসে
নঙনদি হায়রি লাল্লি।
অদুগা অমুকসু
নঙনা হায়রি
নঙনা চৎলিবা
নঙগী লম্বীদুনা অচুম্বা লম্বীনি।
অদুগা য়াদ্রিবনা করিগী
নতুং ইল্লক্কে
নঙনা চৎলিবা
অচুম্বা লম্বীদুদা
হায়য়ু হায়য়ু
মরম অদো
নঙনা নঙগী
চৎলিবা লম্বীদুনা
অচুম্বা লম্বীনি
হায়বগী অশেংবা মরম অমা।

# ঈগী খোঙ্গুল লীবা

## (ঈ-পাউনা পিক থল্লবা লমকোয় ৱারী অমা )

| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | ঈগী খোঙ্গুল লীবা |
| মখল | ঃ | লমকোয় ৱারী |
| অইবা | ঃ | শম্বান্দুরাম শামু সিংহ |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৩ |
| অফোঙবা | ঃ | সিন্দম বুক হাউস, শিংজমৈ |

*ঙসিদি* লমকোয় ৱারীসু খোরিরোলদা মফম অমা কনবা ঙম্লে। অদুবু লমকোয় ৱারী কমদৌনা ইগনি হায়বগী মতাংদদি ৱা কয়া লৈরি। ট্রেভেলোগ হায়রগা ট্রেভেল ডাইরিগা মান্নফম থোক্তে হায়বসু লৈরি। ট্রেভেল রাইটিং হায়বনা চুমগনি হায়বসু য়াওরি। অয়াম্বা ক্রিটিকশিংনদি ট্রেভেলোগ হায়রগা ট্রেভেল রাইটিংগা মান্নবা ৱাহন্থোক পীরি। অদুবু পূম্নমকসিগী মথক্তা Shobhana Bhattacharji না হায়বা ৱা অসিমসু লৌবা য়াই। মানা হায়, "In fact, consolidation of genre is exactly what is tough about travel writing... there is not even a consensus on what it is or from when it came to be acknowledged as a jenre. But the subjective perspective is the only mark of travel writing." মসি ঐসু য়ানিংঙি। লম য়েংবা চৎপদা পাউদমগে হায়রবদি হৈবা তাই। পাউদম্মু হৈত্রবদি ট্রেভেল ডাইরিগী মওংদা চৎখ্রগনি। ট্রেভেল রাইটর অমনা চেকশিনগদবা ৱাফম অনীখক লৈরি - (1) The freshness and wonder of the traveller's response and meticulousness in recording what a person, a town, or a landscape looks like. (2) Descriptions should be as factual as possible. অদুনা পঙই ইবা য়াবদি নত্তে।



পাউদম্লিবাঃ সলাম তোম্বা

ঐনা ৱাফম খরসি থমজবগী মরমদি শম্বান্দুরাম শামুগী লমকোয় ৱারী, 'ঈগী খোঙ্গুল লীবা' কৌবা লাইরিকসি পারুবদা ফাওরকপা ৱাখলনি। ফনা কুপ্না ইবা লমকোয় ৱারীনি হায়নীংঙি। ফজবা লমকোয় ৱারীশিংগী মরক্তা লাইরিকসি শোয়দনা চল্লনি হায়নীংঙি। মথক্তা পঞ্জখ্রিবা ৱাফম খরদু শোক্লা ইরি। অপাবা খুদিং অইবগী তুং ইন্দুনা চৎহনবা ঙম্মী। অসুক কুপথনা, অসুক থৱায় য়াওনা, অসুক থমোয় চঙনা মদুসু মীনুংশি পোক্লা ইবা লমকোয় ৱারীদি ঐখোয়গী লোন্দা তাঙলি হায়নীংঙি। ফজৈ, লাইরিক্কী মশকসু, য়াওরিবা লাইশিংসু মচু মমেল য়াওনা ওন্থোক্লা ফজনা পুথোক্লককখ্রে। লাইরিকসিগী অশোনবা অমতং হায়বা তারবদি ৱাকোই য়াম্না য়াওবা, কৈনো অমা থেংনবদা ফ্লাস বেক হেক্তা পীবা, মদুসু শাংনা শাংনা, অদু পূম্নমক্তুনা অপাবদা মুদ খরা খরা হেক্তা মাঙলকই শোয়দনা হায়নগনি। অদুবু অইবগী ফাগী পুবা, মতাং চানা ৱা ফেনজিনবা ঙম্বা, ৱাহৈগী উচল অসিনা অপাববু নুংঙাইহনবদি তশেংনা ঙম্লে হায়নীংঙি। শম্না হায়রবদা মীতৈ মচা খুদিংনা পাদবা য়াদ্রবা লাইরিক অমনি। ঈগী খোঙ্গুল লীবা ৱারীসিনা অপাবা পূম্বা ম্যান্মারদা কমদৌনা চহী তরেৎ খুন্তাকপদা মখূত্তা য়াইরি লেংদুনা পুখিবা ইপা ইপুশিংদুগী চাদা নাউদা ঙসি কমদৌনা লৈহৌরি শোয়দনা মিত্তা উগনি। য়াঙ্গোন, মন্দলেনচিংবা সহরগী পাউদা নত্তনা খুঙ্গং 'অমরপুর' গী অৱাবা পাউ য়াওরি। পীকখ্রবা ফুরুপ ওইনা লৈরিবা মীতৈশিংদুনা চৎনবী ঙাক্লা, মশাগী মশক মাঙদনা ৱানা হিংলিবা মতৌদু পারুবদা থমোয় কায়রোইদবা অপাবা মীশক লৈরোই। করি অমুক হায়গনি, শাগৈ মশেল লৌনবা য়াদবনা, য়েক মশেলসু লৌনবা য়াদবনা, ম্যান্মারীসশিংদা জাৎ তাগদৌ শরুক য়ূম পানখ্ররোই হায়দুনা লৈশানা চহী ৭০ হেনবফাও খাঙলম্লিবী ইচে ইচনশিংদুগী পাউ তাবদা স্বর চাউরোইদবা কনা লৈবগে।

চৎলিবা কাঙবুসু চুম্না লম য়েংবা চৎপা নত্তে। ইন্দো ম্যান্মার এসোসিয়েসনগী মেম্বর ১০ না মিসন অমা ওইনা ঈগী খোঙ্গুল লীবা ২০১১ গী জানুৱারী তাং ১০ দগী তাং ১৮ ফাওবা চৎপগী পাউদমনি। লাইরিকসিগী ৱাহৌদোক্তা ওন্থোক্লা মরীক চুম্না অরাম্বম ওজা লোকেন অমদি লৈখিদ্রবা অজ্ঞা জয়ন্তকুমারনা লামায় খরা খরা ইবীরি। মসিদা পাবদা অদুম লাইরিকসিগী মঙল খঙবা য়ারে। ঐনা অমুক ৱাহৈ খরা ফোঙদোক্লুবগী তঙাইফদ্রবা হায়বদু লৈত্রবনি। অদুবু লাইরিকসি নুংশিমন্দুনা ঐসু ৱাহৈ খরদংদি ফোঙদোক্লিংদুনা ইরিবনি।

লাইরিকসি পারুবদা খঙলকই, ঐখোয়না চাওখৎত্রে হায়দুনা শীংথানবিদ্রবা ম্যান্মার লমদম্না কয়াদা নান্না, কয়াদা ধর্ম লৈনা, কয়াদা লৈবাক মচা তানা পাল্লম্লিবা। হেক্তা চৎনীংলকই, হেক্তা উনীংলকই মিৎসিনা। মখোয়গী নাঞ্জবা, কেজবা, য়ূম্বান-কৈবান উনীংলকই অমুক্তং। অইবা শামুনা ফজনা য়েকখ্রে, লম অদুগী ফজবা, নীংথিবা, ৱাহৈনা, মরীক চুম্না। মায় পাক্লবা লমকোয় ৱারী অমনি হায়নীংঙি। অইবনা থেংনবা পোৎশক পূম্নমক লেম্না থাদে, মরী মখোঙ, মওং মতৌ কূপ্না য়েংলগা, মরী লৈনবা লাইরিক কয়া পারগা হাপচিল্লকই ময়েক শেংনবা। অদুগী মথক্তা অইবা অসিনা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা থবক তৌরম্বনা মণিপুরগী লম-তু ময়েক শেংনা খঙবনা, ম্যান্মারগী লম অমা হেক উবদা ঐখোয়গীগা চাংদম্নবা য়াম্না ফজনা ঙম্মী। মণিপুরগী চীংনুং-মান্নুংগী মমিং, হৈ-লৈগী মমিং ওন্থোক্লা মরীক চুম্না থাখ্রে। মসিদি সুম পারগা লমকোয় ৱারী মাল্লক্তে, রিছার্স পেপর মাল্লকপা মতাং য়াওরকই। ঈ-পাউদি মসিদগী হেন্না কুপথনিংঙাই লৈত্রে, লমকোয় ৱারী অমদা।

লাইরিক অসিদা অতোপ্পা মশক অমনা ম্যান্মারদা মঙানি লৈরুরগা হল্লকপদা থাইলেন্দগী পটয়া অমদি বেঙ্কোক সহর য়েংবগী অকূপ্পা ৱারী অমসু য়াওরি। মসিসু অদুম য়ারি। উরকপা মখৈদি কূপ্না পাউ তম্নবা হোৎনরি। বেঙ্কোক্তা পারকপা পাউ-চেগী মচাকশিং ফাওবা লাইরিক অসিদা হাপচিন্নবা হোৎনরি। থাইলেন্দগী নিংথৌগী ৱারীফাও থিগৎতুনা পুন্সি ৱারী ফজনা হাপচিল্লি। বেঙ্কোক্তা লৈরিঙৈদা ইমাসি বিনোদিনী লৈখিদবগী পাউ লাকপদা ৱাখল মরী মরী চৎখিদুনা ইমাসিগী পুন্সি ৱারী হাপচিল্লি। পাউ অমতা লেম্না মাঙহন্দে। লমকোয় ৱারীদা মসিবু হৌনৈ, হৌনদে থোইনা অইবনা খন্দবা মাল্লি। মতাংসিদা Henry David Thoreau গী ৱাফম অমা নীংশিংলকই। মানা হায়, "It is not worth while to go around the world to count the cats in Zanzibar." Zanzibar হায়রিবসি Tanzania গী লম অমনি। স্কার মাইল ৬৪০ খক চাউই। Pemba হায়বসিনা মসিগী কোনুংনি। মানা হায়রিবসি অদুক ৱানা মালেম কোয়রগা Zanzibar গী লমদুদা লৈবা হৌদোং মশীং থীবখক ওইনা তৌরবদি কৈকান্ননি হায়রিবনি। মদুগী পরীং হাইফেৎ মানবা মতাংদি য়াওরি লাইরিকসিদা। এরোপ্লেন মথক্তগী তমেংলোংগী লম, পাৎ, চীংগী মমিং ফজনা থারকপসি, কমদৌনা উবনো কূপথমল্লি হায়নীংঙি।

অদু ফনা ওইদুনসু লাইরিক অসিদা অইবগী humorous tone অসিমদি তমজনীংঙাইনি। মতাং অমতং পল্লবদা পটয়াদা গাইদ ওইরিবী লৈশাবীদুনা মতম চেকশিনবা, চৎলসি, চৎলসিদা হায়বদুদা অইবনা লৈশাবীদুবু দোলাই পাব কৌজৈ। অদুনা ঈরোইবা কূমখ্রিবা মরুপ মপাংশিংবু কৌরি, "ময়াম লাকপীরো, চৎলসে, দোলাই পাব য়ৌরক্লে।" অমুকসু তূম্বদা নাখোকপবু হোরাই খায়বা হায়রি। অদুনা মতাং চানা অইবনা ইরি "তূমথরে, অহিংসি হোরাইসি ঐনা অমুক খায়, ডাক্তর লোকেন্না অমুক খায়। হেন্নদে, কা অমত্তদা পূন্না লৈমিন্নবদা চোপতে।" হেক নোক্লিংঙি, মপা চায়। অমুকসু ডা. বজাওগী মতাংদা শান্তনা শেন্নবদু উবদা অইবনা মতাং চানা হায়রি, "তামো বজাওনা ইতৈমগী খুদোপ অমা লৈখি। খুদোপ্তু তামোনা খনবগী ৱানি, পৈশাদি শান্তনা পীখি। শান্তসি তামো বজাওগী এ টি এমনি।" হেক্তা ফজহল্লি।

য়ামখ্রে, লাইরিকসিনা পীরিবা পাউ। লোইনা তম্বদি চল্লোইদৌরি। অরোইবদা হায়দবা ঙমদবা অমতংদি অইবনা পাউ হেন্না পীনিংমনখিদুনা অমদি ইরিবসি ট্রেভেল রাইটিংনি হায়বা কাউথোকপা মান্না ফৈদোকখিদুনা ৱারী মথঙ মথঙ পঙলিদা লীবসি নৎলমদ্রবদি ফজবা লমকোয় ৱারী অমা শোয়দনা ওইরমগনি হায়নীংঙি। মথঙগী ফজবা অমা ঙাইরি।

# 'সুভাগী'

## হিন্দীদা ইবা মুন্সি প্রেমচন্দগী ৱারীমচা 'সুভাগী' / মীতৈলোন্দা ঃ লৈমপোকপম বেদান্তী

**হান্নগী মখা...**

সজনসিংহনা হায়-নহানমুক্কী মপোক্তা লাইরেন্বী ওইনা পোক্লম্বা জাৎনি।" অদুবু মহতোসি কুইনা নুংঙাইয়ু তল্লমদ্রমাল্লে। নুমিৎ তরেৎ নিপালনি শুরে মানা লাইহৌ হৌদুনা নারকপা। মশাদু ফি থোংবা ঙমদবমখৈ শারে, লক্ষ্মীনা মনাক্তা ফমদুনা কপ্লি। সুভাগীদু ঈশিং পায়দুনা লেপ্লি। হৌজিক্তা ঈশিং থক্কে হায়রম্বনি, ঈশিং পুরগা লাকপা মতমদদি মখোঙ-মখূৎ লোইনা ইংথখ্রে। সুভাগীনা মাগী মতৌদু উবদা রামুগী ময়ূমদা চৎলে অদুগা হায়রুরে-তাদা, ঙসিদি বাবাসে করিনো অমা তৌখ্রে, মানা লাইহৌ হৌরক্লিবসি নুমিৎ তরেৎ নিপালনি শুরক্লে। রামুনা ফমুংদা হিপ্না হিপ্না হায়রকই-ঐবু ডাক্তররো, মাইবরো, ঐনা করি য়েংদোইনো? মপাঙ্গল কল্লিঙৈদদি নঙনা মাগী পূম্নমক ওইবদাইনে হৌজিক্তা শিরমদাই য়ৌরক্লবসিদা ঐবু কৌরক্লিরা? তাঞ্জাদুদা রামুগী নুপীদু মপান্দা থোরক্লে অদুগা হংলকই-বাবা করি তৌরগে, ইবেম্মা? সুভাগীনা খুমদ্রিঙৈদা রামুনা হান্না হায়রকই-করিসু তৌদে, হৌজিক কনাসু শিরোই। সুভাগীদু করিমত্তা খুল্লমদনা চুমদ্রিং সজনসিংহগী মনাক্তা চৎখ্রে। মা চৎখ্রবা মতুংদা রামুনা নোক্লদুনা মাগী নুপীদা হায়রকই-তৌশিন্নবা হায়বদু অসিনি। মাগী নুপীনা হায়রকই-মসিদা তৌশিন্নবগী করি ৱাবু য়াওরিগে? চাদ্রিবা করিগীনো? রামুনা-ঐ শুংচৎ চৎলোই, মাগী মরমগীদমক তোঙান চানবনি, মাগা মরায়না লৈমিন্নজনি, শিরবফাওবসু চৎলোই। মাগী নুপীনা (নোক্লদুনা)-শিরবা কান্দদি মৈ চুবা চৎকনিদা, চেন্দুনসু হিংলোই? রামু-শুংচৎ হেক চৎলোই। মানা নুংশিজবা মচানুপীনা লোয়না মরায়না তৌজনি। "নঙ লৈনা লৈনা মানা করিগী তৌগদৌরিবা"। "ঐ লৈনা লৈনা তোঙান চাখ্রিসিদি।" "হুম, মদু ঐ য়ানিংদে, মদু অফবা ৱা নত্তে। চৎলগা য়েংলুসি। অমবু ওইরে, অমবু ওইরে, ইপানিদনা। অদুগীসু মথক্তা খুলগী মীয়াম মমাঙদা শক করম্না উৎকনি"। রামুনা তুমিন লৈয়ু, ঐঙোন্দা পাউতাক পীরক্কনু"।

অসোমদনা ঠাকুর সাহেবনা মহতোগী পাউদু হেক তাবদা সুভাগীগা লোয়ননা লাক্লে। মখোয়না য়ৌরকপা মতমদদি মাগী ফীভমদু য়াম্না হেঞ্জিল্লম্লে, মানা মিহুল য়েংই, মিহুলদু য়াম্না তপ্পী। মাগী মতম লোইরে হায়বসি খঙলে। ময়াম তুমিন-তুমিন লৈনরি। মমিৎতা ইরা চেল্লদুনা সজনসিংহনা হায়রকই-তাদা মহতো, হকচাং কমদৌবগে? মহতোদু তূম্লুবদগী মিকপ খংথোক থোক্লকপগুম হায়রকই-য়াম্না নুংঙাইরি! হৌজিক্তি ঐগী হনবগী মতম য়ৌরক্লে। সুভাগীগী মপা নঙনা ওইরদৌবনি, ঐনা মাবু নঙোন্দা শিন্নরবনি। সজনসিংহনা কপ্লদুনা হায়রকই-তাদা মহতো, করিসু খল্লুনু, পূম্নমক তাইবঙ মপুগী থৌইনশিন্নি, মাগী থৌজাল ফংলবদি নহাক শোয়দনা ফগৎলক্কনি। সুভাগীবু ঐনা ইচানুপীমকনি খল্লি, খনসু খনখিগনি। নঙ করিসু খল্লুনু, ঐনা লৈরিবমখৈ সুভাগী নৎত্রগা লক্ষ্মীবু কনামত্তগী অখাবা মিৎয়েং চঙহল্লোই। নঙনা হায়নীংবদু হায়ু। মহতোনা হায়জবা মিৎয়েংদা হায়রকই-করিসু হায়নীংঙাই লৈতেদা, মতম লৈবা খিবিক্তা নহাক নুংঙাইবা ওইয়ু।" সজনসিংহনা হায়রকই-ঐ রামুবু কৌরুখিগে। মানা লানখিবা পূম্বা ঙাকপীয়ু। মহতোনা হায়রকই-হুম! ঐ মাগী মশক য়েংনিংদে। ঙাইহাক্কী মতুংদদি হকচাংদু মৈ থানবা থৌরাং তৌবা হৌরে।

খুলগী মীপুম খুদিংনা রামুবু থেন্মই, অদুবু মা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকউ হায়বা য়াদ্রে। অরোইবা মতমদা ঐগী শক উনিংদ্রবা মীদবু ঐনা ইপানি খনখিদ্রা? ঐ মাগী মচা নত্তে। চিতাগী মৈদু লক্ষ্মীনা চুখ্রে। মতম খরগী মনুংদা সুভাগীনা করম্না থৌরাং তৌরিবনো খঙদে, লান্ন-থৌরমগীদমক পোৎলম কয়া পুরক্লে, খুলগী মীপুম খুদিংনা য়াম্না ঙক্লা য়েংনরি। কোল-লিক, ফিরোল, ঘী, চিনিনচিংবা মথৌ তাবা পোৎলমশিং য়ৌরক্লে। রামুনা মদু উবদা খোয়দৌ শাউগৎপদা লোইরে, সুভাগীসু মাগী মমাঙদা উৎ-উৎতুনা লেন্নরি। লক্ষ্মীনা হায়-ইবেম্মা, ইমুংগী ফীভম য়েংলগা চাদিং তৌকো। পৈশা তানগদবসি নথন্তনি। নশা নথন্তা হোৎনজরগা চাজগদৌরিবনি। সুভাগীনা হায়রকই-ইমা, বাবাগী অরোইবা মথৌ মঙম অসিদি চাউনা পাঙথোক্কদবনি, করিসু লেমহৌদ্রবসু য়ারে। বাবাসি অমুক হন্না হল্লক্কদবা লৈত্রে। নুপীনা করি তৌবা ঙম্বগে হায়বদু ঐ তাদদা উৎপা পাম্মী। মানা ঐ নুপীনি করিসু তৌবা ঙম্লোই হায়না খল্লমগনি, ঐ মাগী নাপল থুদেক্কে। লক্ষ্মীদু তুমিন লৈখ্রে। লান্ন-থৌরম নুমিৎতুদা খুল নিপালগী বামনশিংদু চাক পীজরে, পূম্নমক্লা থাগৎনখি। নুমিদাংগী মতমনি, মী খুদিংমক চাক চারগা হন্নখ্রে। লক্ষ্মীসু ৱারদুনা তূমখরে। শুপ্নতংগী সুভাগীদু পোৎচৈ চাইরিবশিংদু লোইশিন্দুনা লৈরি, তাঞ্জাদুদা ঠাকুর সজনসিংহদু লাক্লে, মানা হায়রকই-ইবেম্মা, নঙসু পোত্থারো, হয়েং নোংঙাল্লগা ওইনা তৌরো। সুভাগীনা হায়রকই-ৱাদ্রিদা পাবুং! পূন্না লুপা কয়াদি শুরগে ঐনা পাবুংদগী লৌরিসে? নঙনা মদু খঙলগা করি কান্নগদৌরিবনো ইবেম্মা? করিসু তৌরোই, চুম্না শুম হংলিবনিদা। পূন্না লুপা চহুমুক্তি ওইরমগনি। সুভাগীনা হঙ্গৈইরপ তৌনা হায়রকই-পৈশাশিংদু ঐ মতম খরা লৈরগা শিংলক্কে। ঐ নঙোন্দগী করিসু নিদে। মহতোদু ঐগী মরুপ ওইবতা নত্তনা ইয়াম্বসুনি। মাগীদমক্তা করিগুম্বা খরা তৌবা হায়বসি ঐগী ইথৌনি। নহাক্কী থৌজালসি মপাল নাইদে, নহাক্লা ঐবু থাজবীবদগীনি নৎত্রবদি কনানবু লুপা চহুম পুথোকপীগদগে? সজনসিংহনা খল্লি-মসিগী নুপীসিগী ৱাখল্লোনসিসু ওন্থোক্লা ৱাংখ্রে। মপুরোইবা লৈত্রবা মতুংদা পুন্সিগী ইচেল লেপ্লে হায়না খঞ্জবা নুপীশিংগী মরক্তা লক্ষ্মীসু অমনি। চহী য়াঙ্খ্রেসিদা নোংমত্তা কায়নরক্ত্রবদা মথন্তা পুন্সি লেনবা হায়বসি মাগীদমক্তদি অৱাবগী মশকনি। মা মশাগী পাঙ্গল, লৌশিং, থৌনা পূম্বা লোইখ্রে হায়না খঞ্জে। মানা তাইবঙ শেম্বা মপুদা মপুরোইবগী মমাং থানা শিজগে হায়না কয়ারক নিজৈ অদুবু মদু তাবীখিদ্রে। অশিববু খুদুম চনবা ঙমদ্রবদি হিংবদসু ঙমলোইদ্রা? খুল পূম্বদা মাগতা ৱা তান্নরম্বী লক্ষ্মীদু হৌজিক্তি ৱা তান্নবদি লাইরদনা ৱাচোই ঙাক্তা ঙাঙবা হৌরক্লে। চাবা থকপা চঙখিদ্রে। সুভাগীনা হায়মনবদগী চাকখুমদি চঙই অদুবু চাক চখোম অমা ফাওবা হুকউ য়াদ্রে। শাংলবা চহী ৫০ সিদা মপুরোইবা য়াওদনা, মাবু পীজদনা অমুক্তা চাবা য়াওখিদ্রি। মাগী হৈনবীদু করম থাদোক্কনি? মমৈথংদদি লক্ষ্মীদু লোক খুবা হৌরক্লে। মশাদু শোনমনবনা ফমুংদগী হৌগৎ কাংখৎ ঙমদ্রে। সুভাগীদু তৌফম খঙদ্রে, ঠাকুরগী পৈশা শিংনবগীদমক্তা থবক শুদবসু য়াদে। শোমদনা মমা অমুক নাশিল্লক্লে। মমাবু মথন্তা থাদোক্লম্বসু ঙমদে। মাবু ফমশেন্নদুনা লৈরদি থবক শুবা, পৈশা তানবদি কমদৌবা? মমাগী ফীভমদু উবদা অরোইবা মতম নকশিল্লক্লে হায়বা সুভাগীদু খঙবা ঙম্লে, মপাসু অসুম্না লাইহৌ হৌখি। খুলদুদা মখোয়বু য়েংশিনবীনবা কনাসু লৈতে অদুবু সজনসিংহদি অয়ূক নুমিদাংগী লাকই, লক্ষ্মীবু হীদাক পীজ-পীথক তৌবীরম্মী, সুভাগীগী পূক্লিং ফাথবীরম্মী অদুম ওইনমক লক্ষ্মীগী ফীভমদি নোংমা নোংমগী ফত্তবা হেঞ্জিল্লক্লি। তরামঙানি শুবা নুমিৎতা তাইবঙপাল থাদোকখ্রে। অরোইবা মীকুপ্তা রামু লাকই, মমাবু খুরুমজগে তৌই অদুবু লক্ষ্মীনা শাওরকপদগী মাগী মনাক ফাওবা নকপা ঙমখিদ্রে। সুভাগীবু মানা বর কয়া পীরম্মী-নঙগুন্বী ইচানুপী অমা ফংজবসি ঐগী নহান মপোক্কী অফবা মহয়নি, ঐগী অরোইবা মথৌ মঙমসু নঙনা তৌগদবনি। তাইবঙ মপুনা চানবীরবদি মথংগী মপোক্তসু নঙবু ইচা ওইনা ফংজগে।

মমা লৈখিদ্রবা মতুংদগীদি সুভাগীগী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমসি সজনসিংহগী পৈশা শিংদোকপা অসিনি। মপাগী মথৌ মঙম পাঙথোকপা লুপা ৩০০ চঙখি, মমাগীদা লুপা ২০০ মুক চঙখি, পূন্না লুপা ৫০০ তোল্লি, মদু শিংদোকপসি মাগী পান্দমনি, অদুবু মা থৌনা হন্দ্রি। চহী অহুম চুপ্না সুভাগীনা অহিং নুংথিল নাইদনা থবক শুরি। মাগী থৌনা, খাঙবা কনবসি উবদা নুপাশিং ফাওবা ঙক্লরি। নুমিৎ চুপ্পা অমা লৌবুক্তা থবক শুরবা মতুংদা অহিং চুপ্পা অমা আতা তিন মরি-মরি চক্রি তক্লি। থা অমগী অরোইবা নুমিৎতা মানা সজনসিংহগী মনাক্তা লুপা তরামঙা পুদুনা চৎলি। মদু মানা মহৌশাগী শোয়ফদ্রবা কাঙলোনগুম শুকশোয় শোয়দনা পাঙথোকই।

হৌজিক্তি মায়কৈ কয়াদগী মাগা লুহোংনবগীদমক্তা পাউ কয়া থারকই। পূম্নমক্লা সুভাগী লাক্লবদি মখোয়গী ইমুং য়াইফরগনি খন্দুনা মাগী অয়াবা ঙাইনরি। অদুবু সুভাগীনা ৱাফম পূম্নমক থৈদোকই - মতম ৱাৎলি, তৌগদবা লৈরি। অরোইবা শেনফম থিদোকপা নুমিৎতু সুভাগীগী খ্বাইদগী নুংঙাইবা নুমিৎ ওইখ্রে, ঙসিদি পুন্সিগী মঙলকপা মঙলান মঙফাওনরে। মানা চৎকে তৌবা মতমদুদা সজনসিংহনা হায়রকই - ইবেম্মা, ঐ নঙোন্দা ৱা অমত্তা হায়জগে, মসি নিজবনি হায়না খনবীয়ু, য়ানি হায়না হায়বীয়ু অদুগা হায়জগে। সুভাগীনা হায়রকই - পাবুং করি ৱানো হায়বীয়ু ঐ শোয়দনা য়াজগে, পাবুংগী লমন পুন্সিগী ওইনা শিংবা ঙল্লরোই। সজনসিংহনা হায়রকই - নঙনা ঐবু নঙগী শেন্দোন পীবা মীনি হায়না খল্লবদি ঐ ৱাফমসি হায়ররোই। হৌজিক্তি পৈশাসু শিংবা লোইরে, নঙোন্দা ঐগী শেন্দোন অমফাওবা লৈত্রে, হায়ু?" সুভাগী - পাবুংগী য়াথং ইকোক নোন্না লৌজরি। সজনসিংহনা হায়রকই - ইবেম্মা য়াদবদি তৌনুকো, অদুম তৌরবদি ঐ নঙোন্দা ইশকসি উৎপা ঙল্লরোই। সুভাগীনা হংলকই - করি ৱাফমনো? সজনসিংহ - ঐনা পামজবদি নঙনা ঐগী ইমৌ নুপী ওইনা য়ূমসিগী লৈতেং ওইবনি। ঐসি শাগৈ-জাৎ য়াম্না খায়বনি অদুবু নঙগী নতিক নগুন অসিনা পূম্নমক অসি কাউথোকখ্রে। ঐগী ইচানুপানা নঙবুতা নীংজদুনা লৈরি। নঙনসু মাবুদি খঙইদনা য়ানিংবরা হায়রো? সুভাগীনা হায়রকই - পাবুং অসুক চাউবা ইকায়খুম্নবা পীবিরিবা অসিবু ঐবু করি হায়রসিগে? সজনসিংহনা হায়রকই - নঙবু ইকায়খুম্নবীরিবা অসি তাইবঙ শেম্বা মপুননি, নঙনদি তশেংনমক ফৌওইবী লাইরেম্বীগী শায়োননি। সুভাগী - ঐদি নহাকপু ইপামকনি খঞ্জে। ইপানা তাকপীবদি মচাগী ফনবগীদমক্তনি, ঐগী করি ইতিক লৈদুনা হায়বা ইল্লোইদৌরিবনো? সজনসিংহনা মাগী মকোক্তা নানবীরদুনা হায়রকই - ইবেম্মা, পুন্সি চুপ্পা লাইবক ফবী, তেক্তা কায়দবী ওইয়ু। নঙনা ঐগী ৱা ইল্লে, ঐমুক লাইবক ফবসিবু কদায়দা লৈরমগদগে?